# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 26-02-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি ইম্ফালগী কৈশামপাৎতা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা এম.এল.এশিংগা পুন্না মীফম অমা পাঙথোক্লবা য়াই।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা লালহৌলুপ কে.সি.পি (এম.এফ.এল)গী কাদরশিং লৌবদা চেন্নবা মণিপুর পুলিসকী কন্সটেবল দ্রাইভর অমা ফারে।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ইজরেলগী প্রধান মন্ত্রি বেঞ্জামিন নেতনয়াহুগী টেল অভিভতা ঙরাং উন্নখ্রে।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি ইম্ফালগী কৈশামপাৎতা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা এম.এল.এশিংগা পুন্না মীফম অমা পাঙথোক্লবা য়াই।

থা অসিগী ২১ দা মুখ্য মন্ত্রিনা নিউ দিল্লিদা চত্তুনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ, দলগী প্রসিদেন্ট নিতিন নবিন অমদি অতৈ লুচিংবা কয়া উন্নদুনা মণিপুরদা শান্তি হঞ্জিল্লকবা অমসুং চাওখৎ থৌরাংগী ওইবা ৱাফম কয়া খন্নখি।

মুখ্য মন্ত্রিনা ঙরাং ইম্ফালদা হেক থুংলবগা ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা বি.জে.পিগী ওফিস থম্বাল শঙলেনদা দলগী প্রসিদেন্ট আধিকারিময়ুম

সরদা দেবী য়াওনা দলগী কারিয়াকার্তাশিংগা উন্নখি অমদি মহাক্কী দিল্লি খোঙচৎ অদুগী মতাংদা পাউদমখি।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বা অমসুং এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চখুরি।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোলরুমগী চেরোল অমনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমনা ঙরাং থৌবাল জিলাগী মনুং চনবা ইঙৌরোক মখা লৈকাইদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমা ফাগৎখি। নুমিৎ অসিমক্তা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চনবা শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইদগী প্রিপাক্কী লালহৌবা অমসু ফাখি। মহাক্কা লোয়নননা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা লুপ অসিগী নুপী কাদর অমসু জিলা অসিগী ক্বাকৈথেল ঙানপ্পী থোং মপালদগী ফাখি।

অমরোমদা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা সেক্যুরিতি ফোর্সনা লালহৌলুপ কে.সি.পি (এম.এফ.এল)গী কাদরশিং লৌবদা চেন্নবা মণিপুর পুলিসকী কন্সটেবল দ্রাইভর অমা ফাগৎখি।

দাইরেক্তর জেনেরেল ওফ পুলিস- শ্রী রাজিভ সিংহনা লুচিংদুনা ঙরাং হোম গার্দ, মণিপুর পুলিস অমসুং অতৈ মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়ানা শরুক য়াদুনা রাজ্য অসিগী ঙাকশেলগী মতাংদা মীফম অমসু পাঙথোক্তুনা খন্নখি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা থৌবাল পুলিস, লিলোংদা দুকান ফল্লিবা মীওইশিং, কোল্লা খোংদা লৈবা সি.ও.বিগী মহৈরোই অমসুং ওজাশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা খুলগী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। ৱারী শান্নবা অদুদা রাজ্য অসিগী ঙাকশেল অমসুং সেক্যুরিতিগী ফিভম ফগৎহনবা লোয়নননা সেক্যুরিতি ফোর্স অমদি মীচম মীয়ামগী মরক্তা লৈনরিবা মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি। মখা তানা অসাম রাইফলসনা ওপরেসন সদভবনাগী মখদা ঙরাং চান্দেল জিলাদা লৈবা দি. জলেনবুং হাইস্কুলগী মহৈরোইশিংদা মহৈ

মশিং তম্বদা চংবা পোৎলম কয়া য়েন্থোকখি। থৌরম অদুদা খুঞ্জা অমসুং মহৈরোই ২০০ রোমা শরুক য়াখি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ইজরেলগী প্রধান মন্ত্রি বেঞ্জামিন নেতনয়াহুগী টেল অভিভতা ঙরাং উন্নখ্রে। লুচিংবা অনিনা লৌউ শিংউ, টেকে ালোজি অমদি অতৈ হিরম কয়াদা লৈবাক অনিনা তেংবাং পীননবগী ৱাফম কয়া খন্নখি।

লুচিংবা অনিনা উন্নখিবা অদু য়ামা ঐতিহাসিক ওইবা খোঙথাং অমনি হায়রদুনা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়- লৈবাক অনিনা তোঙান তোঙানবা সেক্তরশিংদা তেংবাং পীননবগী ৱাফম কয়া খন্নখিবা অদুনা লৈবাক অনিগী ওইবা তেংবাং পীনবগী থবক থৌরম হেন্না পাকথোক চাউথোকহল্লে অমদি মসিনা লৈবাক অনিগী ওইবা চাওখৎ খোঙথাংদা হেন্না খুমাং য়াংশিল্লগনি।

মহাকা হায়- ইজরেলগী জিউ কাংলুপকী মীওইশিং ভারত্তা অকি অখঙ য়াওদনা লৈবা ঙম্লি। মখোয়গী ধর্ম্ম অমদি চৎনবী য়াওনা থাজবা কয়া অদু লৈবাক অসিনা কৈদৌঙৈদা মাংহনবা তৌরোই। মসি লৈবাক অসিগী ওইনা চাউথোকচবা অমসুনি।

ইজরেলগী প্রধান মন্ত্রিনসু শ্রী মোদিনা লৈবাক অদুদা লাকপা অসিনা লৈবাক অনিগী মরুপ মপাং ওইবগী হান্নদগী লৈরকপা মরী অদু হেন্না চেৎশিনহল্লগনি হায়না ফোংদোকখি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী ইজরেল খোঙচৎ অসিনা লৈবাক অনিগী তেংবাং পীনবগী মরী অদু হান্না লৈরম্বা ফিভমদগী শরুক অহুম হেনগৎহনবা ঙম্লগনি হায়নসু মহাকা মখা তানা ফোংদোকখি।

যাদব ঃ কেন্দ্রগী ইনভাইরোনমেন্ট ফোরেষ্ট অমসুং ক্লাইমেত চেঞ্জ মন্ত্রি ভুপেন্দর যাদবনা হায়রি- লৈবাক অসি তোঙান তোঙানবা হিরম মরি- ইনর্জি, শেল থুম, মহৌশাগী ওইবা পোথোক অমসুং দিজিতেলগী লমদা খুমাং য়াংনা চাওখৎলক্লি।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা ইনর্জি এন্দ রিছোর্সেস ইন্সটিট্যুট টেরিগী ৱার্ল্ড সষ্টেনেবল দিভলপমেন্টকী মীফমদা শ্রী যাদবনা হায়- চাওখৎ লম্বীদা খুমাং চাওশিল্লকপা হায়বসি লৈবাক অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা অহোংবা অমা হেক্তা পুরকপদু নত্তে। লৈবাক অসিগী লৈজরিবা পোত্থোক চাথোক অমসুং নিতি নিয়ম কয়াদা লমদম অসিগী মীয়ামগা চান্ননা শেমগৎলকপা অদুনি।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু নুমিৎ মরিনিগী খোঙচৎতা ঙসি ঝারখন্দদা চৎলগনি। মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা রাষ্ট্রপতিনা রাজ্য অদুগী কাদমাদা শাগদবা শ্রী জগনাথ মন্দির অমসুং জামসেদপুরগী বারিদিদা শাগদবা মনিপাল টাটা মেদিকেল কলেজগী উরেপ উয়ুং তমগনি। থৌরম অদুদা রাজ্যপাল শন্তোস কুমার গঙ্গৱার, কেন্দ্রগী মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধান, মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত সোরেন অমদি অতৈ মকোক থোংবা লুচিংবশিং শরুক য়াগনি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা রাষ্ট্রপতিগী খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা ঙাকশেল অমদি শেম শাবগী থবক লোইরে।

য়োজনা ঃ সরকারনা প্রধান মন্ত্রি গরিব কল্যান অন্না য়োজনাগী মখাদা সেন্ট্রেল বেঙ্ক দিজিতেল করেন্সি বেজ ফুড সবসিদি দিষ্ট্রিব্যুসনগী পাইলোত প্রোজেক্ট ঙসি পুদুচেরিদা হৌদোক্লগনি।

কেন্দ্রগী কঞ্জুমর এফ্যারস, ফুড এন্দ পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মন্ত্রি প্রহ্লাদ জোসিনা হৌদোক্কদবা পাইলোত প্রোজেক্ট অসি হৌদোক্কনি। থৌরম অদুদা পুদুচেরিগী উপ-রাজ্যপাল কে. কৈলাসনাথ, মুখ্য মন্ত্রি এন. রঙ্গাসামি অমদি রাজ্যগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াগনি। থৌরাং অসিগী মখাদা খনগৎলবা বেনিফিসরিশিংদা রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা পীবা দিজিতেল করেন্সি তোকনগী মতেংনা দিজিতেল ৱাল্লেটকী খুত্থাংদা খুদোংচাবা ফংহনগনি। তোকন অসিগী মতেংনা খনগৎলবা মহৈ মরোংশিং, ফিয়ার প্রাইস সোপশিং নত্রগা খনগৎলবা করবারৱালাশিংদগী পোৎ লৈবা য়াগনি।

জেকে ঃ জম্মু কাশ্মীরগী পুন্স জিলাগী মেনধর সবদিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা কাষ্ট বলারি এরিয়াদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুম্বগী থবক চথবদা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফংবা ঙমলে।

খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা পোকখায়বা য়াবা মচাকশিং, আই.ই.দি বোম, চাইনানা শাবা হেন্দ গ্রেনেদ, নাইন এম.এম পিষ্টোল অমদি নোংমৈ মরু কয়ামরুম য়াওরি। আই.ই.দি অমসুং হেন্দ গ্রেনেদশিং অদু বোম এক্সপার্টশিংনা মফম চাবা য়েংদুনা অশোই অঙাম থোক্তুনা পোকখায়হনখ্রে। মখা তানা মফম অদুদা থিবা হুম্বগী থবক চথুরি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা লুচিংদুনা দিল্লিদগী হল্লক্লবা মতুং দিংকু রোডতা শেমগৎ শাগৎলিবশিং য়েংশিনখিবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

সনালৈবাক পাউচেদা- মার্চ থাদা বজেৎ সেসন পাঙথোক্লবা মতুংদা লৈঙাক অসি চাউথোক্লবা য়াই, সি.এম. খেমচান্দনা লুচিংদুনা দিংকু রোডতা শেমগৎ শাগৎলিবশিং য়েংশিনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসিমক পোকফম অমসুং মণিপুর মেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

এম.য়ুগী গ্রুপ-বি অমসুং সিগী নোন-টিচিং পোষ্ট ৭৮ গী মীওইশিং খল্লবসু হাই কোর্টনা এপ্পোইন্টমেন্ট পীদনবা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তাঙ্খুল নাগা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংনা উখ্রুল জিলাগী নাগা তাবা মফমশিংদা লৈরিবা সুগী কেম্পশিং মফম হোংদোকপীনবা রাজ্য সরকার অমসুং কেন্দ্র সরকারদা তকশিনখিবগী পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা পি.এম. য়াওনা মিনিষ্টরশিং উন্নখিবা সি.এম. খেমচান্দ হল্লকখ্রে। বি.জে.পি এম.এল.এশিংগা ঙসি ৱা খন্নগদৌরি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। মণিপুরদা স্পোর্টস সাইন্স সেন্তর অমা হাংদোকবা হোৎনরি হায়না মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফম পাউচেদা ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈগী শম্বল খাবদা মণিপুরগী শরুক্তনা হেন্না অয়েৎপা পীরি হায়বা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

তাঙ্খুল নাগা খুঞ্জাশিংদা কুকি ফুরুপকা লৈনরম্বা মরী খুদিংমক থদৎকদবনি হায়না তাঙ্খুল নাগালোংনা খঙহনখিবা ৱাফম শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- ওনরিং পাস, দিফেন্দিং দ ফ্যুচর হায়বা নুংগী ওইবা ৱাখল্লোনদা জেলিয়াংরোং য়ুনাইতেদ ফ্রন্টকী ১৬ লক শুবা রেজিং ডে থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরদা চেল্লিবা গাড়িশিং মীতৈ ময়েকনা নম্বর থাবীনবা মৌতৈ ইরোল ইয়েক লোইনশিল্লোন অপুনবা লুপ (মিলাল)না খঙহল্লকখিবগী পাউ তমেংলোং টাইমকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

দিল্লিদা লুচিংবশিংগা ৱারী শান্নরবা মতুং মন্ত্রি মন্দল চাউথোকপগী থবক থিন্থরবা য়াই, মথং থাগী অনিসুবা চয়োলদা বজেৎ সেসন পাঙথোক্লবা হায়না উপ-মুখ্য মন্ত্রি লোসি দিখোনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------